# বেঙ্কোক ব্রাকৎলোইশিংগী কেম্পতা এটেক চথখ্রে



*বেঙ্কোক, জনুৱারি ১৯ঃ* বেঙ্কোকতা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ব্রাকৎ খোঙজং চংশিন্নবশিংগী শকখঙদবশিংনা এটেক চথরকপদগী য়ামদ্রবদা ব্রাকৎলোই ২৮ শোকখ্রে। থাইলেন্দগী কোনুং অসিদা সদসাউন খোঙজং চংশিনবশিংদা বোম লংশিন্দুনা পোকখাইহল্লকখিবনি।

ব্রাকৎলোই লুচিংবা অমনা হায়বদা এটেক্করশিং অদু ব্রাকৎলোইশিংনা তান্নখি অদুবু মখোয়না তান্নরক্লিবশিংদা নোংকৈ কাপশিল্লমদুনা চেনখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা ইরাইদসু চপ মান্নবা এটেক অমা চথরকপদা ব্রাকৎলোই অমা শিখিবনি। ব্রাকৎলোইশিংনা গভর্নমেন্ট অসি মশানা মশাবু লোই থাজখ্রবা হান্নগী লিদর তাকসিন সিনায়ত্রানা চলাইরিবনি হায়নসু মরাল শীখি।

ব্রাকৎলোইশিংনা অকনবা দিমান্দ তৌবরবসু প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানা মফম থাদোক্তবদগী থাইলেন্দগী লৈঙাক্তা কাং–খোং চাইবা ফিভম অমদা মতম শাংনা লৈরক্লি।

ব্রাকৎ ঈহৌ অসি মমাং চহিগী নভেম্বর থাদগী হৌরকখিবনি। অদুগা দিসেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টরনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ২ দা মীখল পাঙতোক্কনি হায়না লাউথোককখিবনি।

মাক্কী ৱারোল অদু ব্রাকৎলোইশিংনা য়াদবগা লোয়ননা সিনাৱাত্রাগী গভর্নমেন্ট অসি মথক মখা ওন্থোক্তুনা মীখলদা কাবা নত্তবা পিপলস কাউন্সিল অমনা মীখল অদুল পাঙথোকহনগদবনি হায়না হনবা লৈতনা তকশিল্লকপনি। মখোয়না চংশিল্লকপা খোঙজংশিংদা বেঙ্কোক্কী মরুওইবা লম্বী লম্লোংশিংদা কেম্প শাজিন্দুনা সিটি অসি মপুং ফানা সদ–দাউন তৌনবা থৌরাং তৌরকখিবনি।

ঙসিগী এটেক অদুনা ভিক্টরি মোন্যুমেন্টতা লৈবা ব্রাকৎলোইশিংগী কেম্পতা চথরকখিবনি। হান্নগী দেমোক্রেট এন পি থাৱার্ন সেনিমনা লুচিংদুনা মোন্যুমেন্ট অসিদা ব্রাকৎ ঈহৌ চংশিনবদা চথরক্লিবা এটেক অদু হান্নগী এম পি অসিদা এটেক তৌরকপা ওইবা য়াবগী চিংনবসু লৈ হায়রি।

বেঙ্কোক পোষ্টতা মহাক্না হায়খিবদা এটেক্কর অমনা লংশিল্লকপা বোম অমনা মঙোন্দগী মিটর ২০ লোম লাপথোক্লা তাখি হায়রি। এটেক্কর অদুনা সিক্যুরিটি গার্দশিং অমদি ব্রাকৎলোইশিংনা তান্নখি।

এটেক্কর অদুনা অতোপ্পা বোম অমা লংশিল্লম্বগা লোয়ননা নোংমৈ কাপশিল্লন্নগা চেনখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেদিকেল ওফিসিয়েলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না মীওই ২৮ শোক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎলক্লে। মখোয়গী মনুংদা ৭ কী ফিভম লুনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি মায়কৈ অনিমক্তা লৈরিবা ব্রাকৎলোইশিংনা হৌখিবা চহি খরগী মমাংদগী মান্নদবা ঈহৌশিং চংশিন্নরকপদা কয়া কন্দবা এটেকশিংসু অমনা অমগী মখথক্তা চথনরকখিবনি।

অয়াম্বা মতমদা এটেক্করশিং ফাদবনা নম্না লৈখি। ঙসিগী এটেক অদুদসু পোকখাইখিবা মফম অদুদা বোম স্কৱাদনা কুপ্না য়েংশিনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শিবা অমত্তা য়াওদ্রি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# কাংলুপ নাইবা ৱাহৈগীদমক মেদোনানা লাল্লে হায়রক্লি

*নিউয়োর্ক, জনুৱারি ১৮ঃ* ইনষ্টগ্রাম পোষ্ট অমদা শৈশকপী মেদোনানা মচানুপাগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা থাগৎপনা কাংলুপ নাইবা ৱাহৈ য়াওখিবগীদমক এপোলোজি তৌরকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।



হৌখিবা ইরাইগী অহিংদা শক্নাইরবী শৈশকপী অসিনা মশাগী চহি ১৩ শুরবা রোকো রিটচিগী বোক্সিংগা মরী লৈনবা ফোটো অমগা লোয়ননা মীবু নুংঙাইহন্দবা য়াবা ৱাহৈ য়াওনা থাগৎলকখিবনি। ঐগী ৱাহৈ অদুনা কনাগুম্বববু নুংঙাইহন্দবা য়াওরবদি মদুগীদমক ঐনা শোইখ্রে হায়জরি হায়না থাংজ নুমিৎতা শৈশকপী অসিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ফোঙদোরকখিবনি।

তশেংনমক্তি ৱাহৈ অদু কনাগুম্ব অমত্তা কাংলুপ পন্দুনা হায়খিবা নত্তে। ঐহাক কাংলুপ নাইবা ৱাখল্লোনদা থাজবা মীসু নত্তে। ৱাহৈ অদু পনখিবগীদমক ইশাবু চুম্মী হায়না ঙাক্লিঙাই পোরম লৈতে হায়না শৈশকপী অসিগী ৱারোলদা ফোঙদোরকখি।

মসিগী মতুংদা অমুক মহাক্না ফোটো অদুমক ইন্সত্রাগ্রামদা অতোপ্পা ৱাহৈ খরগা লোয়ননা থাগৎলকখি। শৈশকপী অসিনা থাগৎলকখিবা ৱারোলদা ঐহাক্কী ৱাখল অদু কুচু ঙৌবা ঐগী ইচানুপাবু নুংশিমনবদগী শীজিন্নখিবা ৱাহৈনি। অদুবু ৱাহৈ অদুবু অতোপ্পবু নুংঙাইহন্দবা য়াবা ৱাহৈনি। মসিগীদমক্তা ঐনা কনাগুম্বদা অরানবা ৱাহ্নোক পীরম্বা তারগদি মদুগীদমক ঐপা লাল্লে হায়জরি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

# ইজিপকী কন্সটিট্যুসন অয়াম্বনা শৌগৎলে

*কাইরো, জনুৱারি ১৯ঃ* প্রপোজ তৌরিবা ইজিপকী অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমগী মতাংদা রিফরেন্দম লৌনবদা ভোট পীখিবশিংগী চাদা ৯৮.১ না শৌগৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ভোট থাদবখিবগী চাংদি ইলিজিবল ভোযর মিল্লিয়ন ৫৩ গী মনুংদা চাদা ৩৮.৬ না থোক্লক্তুনা ভোট থাদখি হায়না ইলেক্সন কম্মিটিনা ফোঙদোরকখ্রে।

দ্রাফট ওইরিবা কন্সটিট্যুসন অসি হান্নগী ইস্লামিস প্রসিদেন্ট মুহমদ মোর্সিনা মফমদগী লৌথোক্ক্রিঙৈদা পুথোক্লম্বনি। অদুবু মোর্সিগী মুস্লিম ব্রদর হুদনদি রিফরেন্দম অসি তৌশিন্নবনি হায়বগা লোয়ননা বোয়কোট তৌখিবনি।

রিফরেন্দম অদু মহাকপু মফম লৌথোকখিবদু চৎনবা য়াবা ওইহন্নবা পাঙথোকপনি হায়না মুস্লিম ব্রদর হুদনা ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি রিফরেন্দম লৌনবগী অহানবা ভোট থাদবা নুমিৎতা থোকখিবা তমথিবা থৌদোকশিংনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবনি। হৌখিবা ইরাইদসু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মোর্সিবু শৌগৎপশিংগা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মী ৪ শিখিবনি হায়নসু হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী মকোক নবিল সালিবনা ভোট অসি য়ানিংদবা য়াওদনা মায় পাক্লে হায়বগা লোয়ননা ময়াম্নসু অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা ভোট থাদনখি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অসিদা পীরিবা মীয়ামগী হকশিং অমদি নিংতম্বশিং মপুং ফানা ফংহনগদবনি হায়না চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহি অহুম্লোম মীয়াম্বু শরুক য়াহনবা দিমোক্রেসিদা ইজিপনা কাং–খোং চাইবা চাংয়েং অমা চথদুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মোর্সিনা লৈলঙাক শক্তি পায়রিঙৈ ইং ২০১২ দা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা রিফরেন্দম অমা চথনবা হোৎনবদা সেকুলারিষ্টশিংনা বোয়কোট তৌখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হন্দক নৌনা প্রপোজ তৌরিবা কন্সটিট্যুসন অসি মেম্বর ৫০ গী কম্মিটি অমনা দ্রাফট তৌরকপনি। কম্মিটি অদুদা ইস্লামিষ্ট পার্টিগী মীহুৎ অনিখক য়াওখি। অদুবু কৃটিকশিংনদি অনৌবা কন্সটিট্যুসন অসিনা লাম্মীবু খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইনা থম্লে হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা দ্রাফট কন্সটিট্যুসন অসিনা হায়বগী মতুংইন্না প্রসিদেন্টনা চহি ৪ গী টার্ম অনি থৌ পুবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা মরুওইবা ৱারোল অমনা পোলিটিকেল পার্টি শেম্বা মতমদা লাইনিং লিচৎ, জাতি, নুপা–নুপী নত্রগা লমগী মওং য়েংদুনা শেম্বা য়ারোই হায়নসু থম্লি।

# যুক্রেনদা ব্রাকৎ খোঙজং থিংববু মীয়াম্না শিংনখ্রে



*কিয়েব, জনুৱারি ১৯ঃ* যুক্রেন গভর্নমেন্টনা মীয়ামগী য়ানিংদবগী ঈহৌশিং থিংনবা পান্দম তৌবা অনৌবা আইন অমা শেম্লকপদগী গভর্নমেন্টকী খোঙথাং অসিবু শিংনদুনা মীওই লিশিং কয়ানা মফম অসিদা ব্রাকৎ খোঙজং চথখ্রে।

সিটি অসিগী ইন্দিপেন্দেন্টস স্কৱারদা কা হেন্না ইংবা ফিভম শিংনদুনা ব্রাকৎ খোঙজং অসি চথখি। হৌখিবা শগোলজেলদা প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিষ্টপু শৌগৎপা এম পিশিংনা অয়াবা পীদুনা লো অসি পাস তৌখিবনি। প্রসিদেন্ট অসিনা বিল অসি হেক সাইন তৌদুনা পাস তৌবগা আইনা ওইনা চৎরগনি।

মসিদা পল্লিবা আইন অমদা ওঠোরাইজেসন য়াওদনা টেন্ট খনগৎপা, ষ্টেজ শেম্বা অমদি মাইকনচিংবা শীজিন্নবা অমত্তা য়াররোই হায়না অথিংবা থম্লি। অদুগা অতোপ্পা অথিংবা কয়ামরুমগা লোয়ননা মীয়ামনা ব্রাকৎ খোঙচং চংশিনবদা মায়খুম নত্রগা হেলমেট উপশিনবদসু ফাবা য়াবগী আইনা অমা য়াওরি।

মসিবু শিংনবা খুদিংমক্না ফাইন থিবা নত্রগা কৈশুমশঙদা লৈবগী চৈরাক ফংগদৌরি। অতোপ্পা বিল অমনা গভর্নমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং উশিৎতদুনা ঙাংবা ৱাঙাংশিংগীদমক চহি অমা করেক্টিভ লেভর পীবা য়াবগী ৱারোলসু পল্লি। অনৌবা আইন অসিগী মায়োক্তা য়ু এস অমদি ই য়ু ওফিসিয়েলশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

আইন অসিগী মায়োক্তা ঙসি চংশিনখিবা রেল্লি অদু ইংনা তপ্না হৌরকখি। অদুবু মমাংদা চথখিবা খোঙজংদদি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন শৌগৎপা ব্রাকৎলোইশিংগা য়ানুকোভিষ্ট শৌগৎপশিংগা সিটি অসিদা খুৎ থোক্লখিবনি। ফিভম অসিদা চুনবা খোঙতাং অমা লৌখৎলক্লবা ওপোজিসন লিদরশিংদসু হৌজিক্তি অকনবা প্রেসর লৈরে। এক্টিভিষ্ট কয়ামরুমনা ওপোজিসনবু তুমিন লৈবা হেনমহল্লে হায়নসু ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে।

য়ুরো মৈদানদা পাক শন্না বেরিকেদশিং খাজিল্লগা ব্রাকৎলোইশিংনা কেম্প তৌখি। মীয়ামগী অসিগুম্বা খোঙজংশিং অসি প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিষ্টনা ই য়ুগী দিল অমা অরোইবা পুংজাদা সাইন তৌররোই হায়না লেপখিবদগী চংশিনবা হৌরকখিবনি।

প্রসিদেন্টনা দিল অদুবু সাইন তৌ হায়বা য়াখিদবদু রুসিয়ানা তকশিল্লকপদগীনি হায়নসু মীয়ামনা কা হেন্না পেন্নখিদবনি।

মসিদগী ব্রাকৎলোইশিংগী দিমান্দ অমুক চাওথোরক্তুনা গভর্নমেন্ট অসি শক্তি লান্না শীজিন্নরে অমদি শেঙ্গা থুমজা চাওনা চথরে হায়রদুনা মসিগী মায়োক্তসু খোঙজংগী ইনোৎ কনখৎলকখিবনি।

পার্টি ওপ দি রিজন্সকী এম পি ওলে সারিওবনা হায়বদা অনৌবা আইন অসি য়ুরোপতা চৎনরিবশিংগা চুনবা আইননি হায়রদুনা অনৌবা আইন অসিনা লৈবাক্কী পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাথোকশিং চাওথোকহন্দবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু ওপোজিসন্নদি বিল অসি চৎনবা য়াদবনি হায়বগা লোয়ননা প্রসিদেন্টপু য়াবা এম পিশিংনা বিল অসিগী শৌগৎলক্কদবা মীশিং য়ামদে হায়বা খঙবদগী ভোটিং ওইনা চথরগা পাষ্ট তৌখিবনি হায়নসু ওপোজিসননা মরাল শীখি।

# পার্ক আর্মি কনভোইদা অকনবা এটেক চথরকখ্রে

*ইস্লমাবাদ, জনুৱারি ১৮ঃ* পাকিষ্টানগী অৱাংনোংচুপতা লৈবা মফম অমদা আর্মি কনভোই অমদা বোমগী এটেক চথরকপদা য়ামদ্রবদা লান্মী ২০ শিরে। বানু টাৎনগী মনাক্তা চথরকখিবা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শু অশোক–অপন নংখি।




শোকখিবশিংগী মরক্তা ফিভম লুবা য়াওবনা শিবগী মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো হায়বদু কুপ্না থিজিল্লি। পাকিষ্টানগী টালিবাননা হায়বদদি এটেক অদু মখোয়না সেক্যুল্লর সিষ্টেম অদুগী মায়োক্তা চথরকপা লাঞ্জং অমগী শরুক্লি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

অসিগুম্বা এটেক কয়ামরুম মখা তানা চথরকখিগনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অদু লান্মীশিং অমদি পেরা মিলিটরি ফ্রন্টিয়ার কোরা বানুং থাদোক্তুনা চৎনবা শেম শারিঙৈদা চথরকখিবনি।

কনভোই অদুগী গ্যাডী অমদা য়াম্না কন্না পোকখাইরকখি হায়না মশক মমিং তাকথোক্তবা সেনিয়ার সিক্যুরিটি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে। পোকখাইখিবা অদুগী চপ চাবা মওং মতৌ খঙদোক্লবা ঐখোয়না হোৎনরি। মদু স্যুসাইদ এটেক অমরা নত্রগা ফুমদুনা থম্লম্বা বোম অমা পোকখাইরকপরা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না লান্মীগী সোর্স অমরা হায়না ফোঙদোরকখি।

তাকথোক্তবা মফম অমদগী পাউগী এজেন্সি অমদা টেলিফোনদা হায়রকপদা টালিবানগী ৱাঙাংলোই সহিদদুল্লাহৱ সহিদনা হায়বদা ঈশ্বরগী থৌজাওগা লোয়ননা ঐখোয়না মসিগীদমক থৌদাং য়ারি। লান্মী হায়বসি ঐখোয়গী য়েক্লবনি। অসিগুম্বা এটেকশিং ঐখোয়না কয়ারক চথরকখিগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# জপান পি এমনা চাইনা কোরিয়াগা ৱারী শানিংবা ফোঙদোকখ্রে

*টোকিও, জনুৱারি ১৯ঃ* জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা জপানগা য়ুম্লোন্নরিবা চাইনা অমদি খা কোরিয়াগা মতম কুইনদগী ইতিহাসকী ওইবা অমদি লমগী ওইবা য়েৎনবা লৈদুনা অফবা মরী থম্বগা ঙম্লক্ত্রিবা অসি লোইশিন্নবা পুকচেল তিংনা ৱারী শানবা পাম্মী হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

অকনবা ৱাহৈ ঙাক্তা ঙাংনদুনা য়েৎনবদগী অৱাংবা থাক্তা লৈবাক অহুম অসিনা মীটিং অমত্তা পাঙথোকপা ঙম্লক্ত্রি। মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাওদা অমনা অমদা লান্নখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ৱারৌনবদগী পুকচেল তিংনা ৱারী শানবা ঙমদবনি। মরম অসিনা ঐখোয়না সম্মিট মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা পুকচেল তিংনা খন্ন–নৈনবা চুমগনি হায়না এন ঐচ কেনা লৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা অবেনা ফোঙদোকখিবনি।

নুমিৎ নিনিগী মমাংদসু জপানগী লফোরেন মিনিষ্টরনা চপ মান্নবা ৱাখল্লোনদা ৱারী শানবা চুমগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবে, চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমদি খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন ইয়ে হায়রিবা লুজিংবা অহুম অসি চহি অমরোমগী মমাংদগী লৈঙাক শক্তি পায়নরকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু লৈফম চাদবা অদুগা নেস্নেলিজমগী ৱাখল্লোন হেনগৎনরকপা মরমনা লুচিংবা অহুম অসি অমুক্তা উনবা য়াদদুনা লৈরকপনি। সিওল অমদি বৈজিংবু অবেনা মমাং থাদা টোকিওদা লৈবা নিংশিং খুভম অমা য়েংলুবা খোঙচৎ অদুনা খোইশাওনবা পোকহনখিবনি।

নিংশিং খুমভম অদু জপানগী লান্মী মিল্লিয়ন ২.৫ না লৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখিববু নিংশিংদুনা থম্বা খুভম অমনি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দোনেসিয়াদা বজ্রনা পান্দুনা এরোপ্লেন কায়খ্রে

*জাক্রাটা, জনুৱারি ১৯ঃ* ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোকলোমদা ঙসি অপিকপা এরোপ্লেন অমা সমুদ্রা মপানদা বজ্রনা পানবদগী মৈ হৌদুনা কায়বদা এরোপ্লেন অদুদা তোংলকপা মীওই ৪ মক শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পাইপর সেনেকা টর্বোপ্রোব এরোপ্লেন অদু পাপুৱাদগী টুৱাল সিটি তম্না পাইরকখিবনি। ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র মপাল অসি য়ৌরকপদা মালুকু ইথৎ মপাদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমগা থেংনখিবনি। মিৎনা উহৌবা অমনা হায়বদা নুমিৎয়ুংবা মতমদা থোকখিবা থৌদোক অসিদা শাথিনা কনবা নুংশিৎ অমদি নোং মায়োক্লদুনা পাইরকপা খঙহৌদনা বজ্রনা পানবদগী এরোপ্লেন অসি খুঙ্গং অমগী মনাক্তা মৈ হৌদুনা কায়রগা তারকখি হায়রি।

ব্রজনা পানবদগী এরোপ্লেন অদুগী ওইথংবা মশা তেকখি হায়নসু অকিপ হানুবুল হায়বা মশাগী চহি ৪৭ শুরবা মীশক অসিনা ফোঙদোকখি।

মশানা নাম্মা তেকপদগী এরোপ্লেন অসি মথক মখা ওন্দুনা লৈমায়দা য়ুংথরকখি। অদুগা মৈ হৌদুনা পোকখাইখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মী কনবশিংনা চংশিনবদা এরোপ্লেনগী অতেক অকাই মরক্তগী অশিবা হকচাং মরি চিংথোরকখি হায়বগা লোয়ননা মতৌ অদু খ্বাইদগী কিনিঙাই ওইবা ফিভমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দোনেসিয়াগী ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রি ৱাঙাংলোই ওইবা বম্বাং এরভান্টনা এরোপ্লেন অদুদা তোংলকপা মীওই ৪ মক থৌদোক অদু থোকপদা খুদক্তা শিখ্রে হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌখ্রে হায়রি।

# গাজা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা ইজরেলনা এয়ার এটেক চথখ্রে

*গাজা, জনুৱারি ১৯ঃ* মমাং চয়োলদা ঙমখে ৱাংমদগী ইজরেলদা রোকেট এটেক চথরকখিবা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা ঙসি এয়ার ষ্ট্রাইক চথখ্রে হায়না ইজরেলনা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুদা চহি ১২ গী অঙাং অমা য়াল্লনা মীওই ২ শোকখি হায়নসু পেলেষ্টিনিয়ান মেদিকশিংনা ফোঙদোকখি।

ইজরেল লান্মীনা অহমদ সাআদ হায়না খঙবা মীওই অমগী মায়োক্তা টার্গেটেদ এটেক অমা চথরকপা অসি হমাসনা পায়বা গাজা ষ্ট্রিপতগী রোকেট কাল্লকখিবা অদুদা ইজরেলনা খ্বাইরাং খোইশাওবা হেনগৎলকপগী খুদমনি হায়না ইস্লামিক জিহাদকী থৌমী অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরিগী লিখুন অমনা হায়বদা, ইজরেলগী খা থংবদা লৈবা এস্কেরোন সিটিদা রোকেট ৫ কাপশিনখিবা অদু সাআটনা চথখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইজরেলগী আইরন দোম মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমনা রোকেট মঙামক মালংদা কাপখাইখিবনি। অদুগা গাজা শিনবা থুংনা লান্মীনা খুৎ থারকখি।

থৌদোকশিং অদুনা ইং ২০১১ অমদি ১২ দা খুৎ হন্নদুনা ঙাইহকা লৈতনা কাপ্পখিবা থৌদোকশিং নৌনা নিংশিংহল্লে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা ইজরেল প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান য়াহুনসু জেরুসালেমদা চয়োলগী ওইনা পাঙথোকপা মহাক্কী কেবিনেটকী মিটিং অমদা ইজরেলনা লৈবাক অসিগী খা–থংবা শরুকশিং ইংন–চিক্না লৈহনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌরাং অসি ঐখোয়গী লৈবাক্তা এটেক চথরকপা থিংনবা থৌশিল অমনি। অদুগা ঐখোয়দা খুৎ থারকপশিংগী মথক্তা পাঙ্গল কন্না খুৎ হনবনি। ঐখোয়গী থৌশিল অসি হমাসনা য়াম্না মুন্না খনবা চুমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পেলেষ্টিনিয়ান মেদিকশিংনা হায়বগী মতুংইন্না, ইজরেলগী এরোপ্লেননা অৱাংথংবা গাজা ষ্টিপতা মোটো বাইক তোংবা মীওই অমদা এটেক তৌরকখি। মদুদা চহি ২৪ শুরবা মীশক অমগা চহি ১২ গী নুপামচা অমগা শোকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু ইজরেল লান্মীনদি মখোয়গী ষ্ট্রাইক অদুদা সাআদতা পানখি হায়না ইজরেল লান্মীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চথখিবা এটেক অদুগী মতাংদা ইজরেল লান্মীনা হায়বদা ষ্ট্রাইক অদুনা গাজাা টেরোরিষ্ট মেকানিজমগী য়াম্না মরুওইবা মচাক অমদা টার্গেট তৌখি। হমাসকী লমদমদগী চথরকপা এটেক অমত্তদা ইজরেলনা তুমিন্না য়াদুনা লৈথোক্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলগী মায়োক্তা সাকআদনা মখা তাবা রোকেট এটেক কয়ারুমসু চথনবা থৌরাংলি হায়নসু ইজরেল মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী অয়ুক অঙনবদসু গাজা ষ্ট্রিপতগী কাপ্লকপা রোকেট অমা ইজরেলগী খা থংবা মফমদা পানখি অদুবু অশোক অপনদি য়াওখিদে। ইজরেলনসু গাজা ষ্ট্রিপকী মফম অনিদা এয়ারষ্ট্রাইক চথদুনা খুৎ হনখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হমাসনা হায়বদদি ইজরেলগী এটেক অদুদা মখোয়গী ট্রেনিং কেম্প অনিদা পানখি। অদুবু কনামত্তদি শোকখিদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি ইং ১৯৬৭ তা থোখিবা লান অমদা ইজরেলনা গাজা পায়শিনখিবনি। অদুগা ইং ২০০৫ দা মফম অসিদগী খুন্দাবশিং অমদি লান্মীশিং লৌথোকখিবনি।

# পাকিষ্টানি পঞ্জাবতা নুপীমচা অমা রেপ তৌরগা হাৎখ্রে

*লাহোর, জনুৱারি ১৯ঃ* পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা মশাগী চহি ৯ দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা রেপ তৌরগা হাৎখ্রে হায়বগা লোয়না নুপীমচা অদু হিন্দু ওইরম্বা য়াই হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মৌজা গুনিয়াদা লৈবা নুপীমচা অদু য়ুমগী মপান্দা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নরিঙৈদগী মফম খঙদনা মাঙখিবনি হায়না নুপীমচা অদুগী অপোকপনা ফোঙদোকখি।

প্রোভিন্সিয়েল কেপিটেল লাহোরদগী কিঃ মিঃ ৪০০ রোম চৎলগা লৈবা রাহিময়ারখান দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা থৌদোক অসিদা নুপীমচা অদুগী অহল–লমনশিং অমসি অতৈ মীওই কয়ামরুমনা নুপীমচা অদুবু ফংনবা কোইথি থিখি। অদুবু ফংবা ঙমখিদে হায়রি। ঙরাং খুল অসিদা লৈবা মীওই খরনা অহাংবা লৌবুক অমদা নুপীমচা অদু অশিবা হকচাং ওইনা থেংনরকখিবনি।

পুলিসনা হকচাং অদু লৌখৎলগা খানপুরদা লৈবা গর্ভর্মেন্টকী হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। অদুবু ডাক্তরশিংনা ওটোপসি পাঙথোকু হায়বা য়াখিদে হায়রি।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোংলান




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-129

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | 6 | | | | 4 | | |
| | | 3 | | | | | 6 | |
| 9 | | | 6 | | | 7 | 2 | |
| | | 1 | | | 4 | 2 | 5 | |
| | | 4 | 9 | 8 | | | | |
| 7 | | | | | | 1 | | |
| | | | | 1 | | | 9 | |
| 5 | | | 7 | | 3 | | | |
| | | | 5 | | | | | |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 6 | 4 | 1 | 8 | 2 | 9 | 5 |
| 2 | 5 | 1 | 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 8 |
| 9 | 4 | 8 | 5 | 7 | 2 | 6 | 1 | 3 |
| 6 | 3 | 2 | 7 | 8 | 9 | 1 | 5 | 4 |
| 7 | 8 | 4 | 1 | 5 | 6 | 9 | 3 | 2 |
| 5 | 1 | 9 | 2 | 3 | 4 | 7 | 8 | 6 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 9 | 1 | 3 | 2 | 7 |
| 8 | 9 | 3 | 6 | 2 | 7 | 5 | 4 | 1 |
| 1 | 2 | 7 | 3 | 4 | 5 | 8 | 6 | 9 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*